**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- ইং ২০১৭ তা হৌদোকখিবা মীয়ামগী নুমিৎনা সরকারগী তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিং হকথেংননা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লে।

২) রাজনীতি দল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ানা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না তকশিনখ্রে।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙসি উখ্রুল জিলাগী মুলাম খুলদা লম একর ৫০ দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই থংবা কাশ্মীরগী গন্দেরবাল জিলাদা শেম্বা সোনামার্গ টন্নেল ঙসি জাতিদা কৎথোকখ্রে।

অমসুং

৫) চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনেরেল অনিল চৌহান্না হায়রি- ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা খ্বাইদগী চাউনা থৌদাং য়াগদৌরি।

------

নুমিৎ (এল)ঃ   মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- ইং কুমজা ২০১৭ তা হৌদোকখিবা মীয়ামগী নুমিৎনা হৌজিক ফাওবা সরকারগা মীয়ামগা নকশিন্নবগী মরুওইবা পাম্বৈ অমা ওইরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা শিন্দুনা ঙসি জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা খুরখুলগী মান্দোপ য়ুম্ফম অমসুং ময়াং ইম্ফালগী প্রভাবতি কলেজ রিলিফ কেম্পশিংদা মীয়ামগী নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। থৌশিল অসিনা মীয়ামদা সরকারনা পীবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা ঙমলে। ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী নুমিৎতা সরকারগী তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী কান্নবশিং হকথেংননা মীয়ামদা ফংহল্লে।

বিরেন (এল)ঃ   আর্মদ ফোর্সেস ভেটরান ডেগী মাংওইননা ঙসি বাবুপারাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলোদা লান্মীগী মকোক থোংবা ওইনা থবক তৌরম্বা মীওইশিং অমদি লানফমদা থৌনা ফনা লৈখিদ্রবা লান্মীগী লোয়নবীশিংবু তরামা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না আর্মদ ফোর্সেসকী মরৈবাক নীংবা অমদি মথৌনা অদুবু শিংথারদুনা হায়- মরৈবাক্কীদমক মথৱায় কৎখবা থৌনা ফরবা লান্মীশিং অদুনা ঐখোয়বু তেক্তা কায়দনা, শান্তি ওইনা লৈহন্নবা ঙাক শেন্দুনা থম্লম্বনি। অদুগুম্লবা থৌনা ফরবা মরৈবাক নীংবা লান্মীশিং অদুগী ইকায় খুমবা উৎলি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। মখোয়না কৎথোক্কুনা ঙাক শেন্দুনা থম্লম্বা লৈবাক অসিবু কায়হন্দনা থমনবা ঐখোয় পুমমকা হোৎনমিন্নশি হায়নসু শ্রী বিরেন্না আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা থবক্তগী পোত্থারবা লান্মীশিং অমদি লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদসু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি)গী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই. জোয়কুমার সিংহ য়াওনা দল অসিগী মীহুৎশিংনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা হৌজিক রাজ্য অসিদা লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা তকশিনখ্রে। মসিগী মথক্তা রাজ্য অসিদা থেংনরিবা চৎথোক চৎশিন, শেনমিৎলোন, শান্তি রক্ষাগী ফিভমদা মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুসু পাউদমখি। রাজ্যপালনসু রাজনীতি দলগী লুচিংবশিং য়াওনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎমিন্নশি হায়খি।

মণিপুর দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্সকী মীহুৎশিংনসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা মণিপুর শান্তি পুরকবা খোঙথাং লৌখৎপীয়ু হায়না তকশিনখি।

মীতৈ কাউন্সিল মোরেগী মীহুৎশিংনসু ইরাং অসিনা হকথেংননা শোকহল্লবা মীওইশিংগী অৱাবশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি অমদি কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু তকশিনখি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি রাধাবিনোদ কোইজম, থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনেরেল অনি- কে. হিমালয় সিংহ অমদি এল. নিসিকান্টনসু ঙসি রাজ্যপালগা উন্নখি।

মণিপুর চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী মীহুৎশিংনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মণিপ্রদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা চাউনা অকায়বা পিরি হায়না পাউদম্লদুনা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

অমরোমদা, মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি, ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী মীহুৎশিংনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা য়ুনিভর্সিতিশিং অসিগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

পোপি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙসি উখ্রুল জিলাগী মুলাম খুলদা একর ৫০ দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

৬ শুবা মণিপুর রাইফলস, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট উখ্রুল, বি.এস.এফ অমদি ৮ শুবা বিহার রেজিমেন্টকী অপুনবা কাংবুনা মুখ্য

মন্ত্রিগী ৱার ওন ড্রগসকী মখাদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। জিলা অসিদা পোপ্পি পাম্বী থাবা মরু ফংনা মুখৎনবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অংসিম দংসাৱানা হায়রি- হিট এন্দ রন কম্পেন্সেসন স্কিম ইং কুমজা ২০২২ গী অহানবা এপ্রিলদগী চৎনবা হৌরে। রোড সেফতি থা পালনগী শরুক অমা ওইনা তমেংলোং হেদক্বাটরসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংনা লুপা লাখ ২ অমসুং ফিভম লুনা শোকপা মীওইশিংনা লপা লিশিং ৫০ ফাওবা ক্লেম তৌবা য়াই। দিপ্যুতি কম্মিসনারনা মখা তানা হায়- তমেংলোং জিলাগী মনুং চনবা হাইৱেশিংদা রোড সেফতিগী নিয়ম নিতি ঙাকা চৎনবা স্পেসিয়েল ইনফোর্সমেন্ট কম এৱারনেসকী দ্রাইভ অমা পাঙথোক্লগনি। রোড সেফতিগী মতাংদা মহৈরোইশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী ক্বিজ কম্পিতিসন অমসু পাঙথোক্লগনি।

কলচরেল (এল)ঃ কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্তিভিতিজ ফোরম মণিপুরগী ৭ শুবা মপোক কুমওন ঙসি লংথবালদা লৈবা কংলৈ মাইম থিয়েটর রিপরটরিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী কলচরগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল থিয়েতরগী দাইরেক্তর এল. দোরেন্দ্রো, সি.দব্লিউ.এ.এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট বুধা চিংথাম অমদি কংলৈ মাইম থিয়েতর রিপরটরিগী দিরেক্তর ৱাই. সদানন্দনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

ফয়ার (এল)ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা শিন্দুনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল সিতিগী অকোইবদা লৈবা রোড মেদিয়ানশিংদা হৌরিবা পাম্বীশিং ঈশিং চাইবগী থবক চথুরি। থৌশিল অসি নোংজ থা লাক্লিবা ফাওবা লেপ্তুনা চথখিগনি হায়রি। উপাল ৱাপাল অসি মপুং ফানা হৌহনদুনা মহৌশাগী ওইবা খল কায়হন্দনবা ঈশিং চাইবগী থবক অসি চথবনি। মসিদা মীয়ামসু

তেংবাংবীনবা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা আপীল তৌরক্নি।

পাখংবা (এল)ঃ  উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাখংবা ফম্বাল কাবা থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে। মসিদা লৈবাক্কী য়াইফনবা ইবুধৌগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৌনিখি।

রুপমহল (এল)ঃ  ২৩ রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল ড্রামা ফেষ্টিভেল ২০২৪-২৫ ফল লাউথোক্লে। কমাখ্যা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী ভানুমতিনা বেষ্ট প্রদক্সন তরে। অদুগা ভানুমতিগী দিরেক্সন পীখিবা শোইবমচা ইন্দ্রকুমার বেষ্ট দিরেক্তরগী মনাসু ফংলে।

ককচিং (এল)ঃ  ককচিং ৱাইরি কোঙ্গোই কম্যুনিতি হোলদাবি.এস.এফকী ১৪ শুবা বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা কেন্দ্রিয়া পুলিস কল্যান বেন্দর বি.এস.এফ কান্তিন হাংদোক্তুনা মীয়ামদা চান-থকবা পোৎলমশিং অহোংবা মমলদা ফংহনখ্রে।

ব্লাইন্দ (এল)ঃ   মীৎ উবগী শক্তি ৱাৎলবা মীওইশিংদা পীবা লাইশ্রম গৌরমনি মেমোরিয়েল এৱার্দ ২০২৪-২৫ গীদমক এপ্লিকান্টশিংনা থা অসিগী ৩১ ফাওবদা ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন ফোর দ ব্লাইন্দ মণিপুরদা দরখাষ্ট পীশিল্লকপা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি।

এৱার্দ (এল)ঃ   নেসনেল ফ্লোরেন্স নাইটিংগল এৱার্দ ২০২৫ গীদমক নর্সশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। অকুপ্পা মরোল অমসুং দরখাষ্ট ফোর্ম দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুরগী ৱেব সাইটতগী খঙবা য়াগনি। থা অসিগী ১৭ ফাওবদা দরখাষ্ট থাগদবনি।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই থংবা কাশ্মীরগী গন্দেরবাল জিলাদা শেন্বা সোনামার্গ টন্নেল ঙসি জাতিদা কৎথোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা হকথেংননা টন্নেল মনুংদা চংদুনা য়েংখি। শ্রী মোদিনা হায়- টন্নেল অসিনা জিলা অসিগী গগনগির অমসুং সোনামার্গকী মরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবগী মতম মিনিত ২০ দগী ২৫ ফাওবা হন্থহল্লগনি।

তন্নেল অসি হাংদোকপনা সোনামার্গতা লৈবাক অসিগী অমসুং মপাল লমগী লম কোইবা মীশিং লাকপগী চাংসু হেনগৎহল্লগনি। মসিনা নোংজ্ নুংশা খাক্তনা সোনামার্গ অমসুং গগনগির শমহন্দুনা হৌজিক শেমগৎলিবা জোজিলা তন্নেলগা শমবা লম্বীসু ওইরগনি। তন্নেল অসিনা কার্গিল অমসুং লেহ জিলাশিং য়াওনা লমদম অদুগী খুন্নাই অমসুং শেন্মিৎলোন হেন্না চাউখৎহনবসু ঙল্লগনি। তন্নেল অসি ইং কুমজা ২০১৫গী মে থাদা শেন্বা হৌখিবনি অমসুং মমাঙ চহীদা লোয়শিনখিবনি। টন্নেল অসিনা লদাখকী অকোইবদা চহি চুপ্পা লম্বী ফাওনহল্লগনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- নিতিন গদকারি, ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহ, জম্মু কাশ্মীরগী উপ-রাজ্যপাল মনোজ সিনহা, মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লা, মন্ত্রিশিং অমদি টন্নেল প্রোজেক্টকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

চৌহান ঃ   চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনেরেল অনিল চৌহান্না হায়রি- ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবদা খ্বাইদগী চাউনা থৌদাং য়াগদৌরিবা অসি লৈবাক অসিগী নহারোলনি। নিউ দিল্লিদা এন.সি.সি রিপাব্লিক ডে কেম্প ২০২৫ দা কেদেটশিংদা ৱা ঙাংবদা জেনেরেল চৌহান্না কেদেটশিং অদুবু এক পের মা কে নাম কেম্পেনগী মখাদা উ চারা লাখ অমা হেন্না থাবগীদমক থাগৎখি।

পুনিত সাগর অভিয়ানগী মখাদা এন.সি.সিগী কেদেটশিংনা অমোৎ অকায় টন ৩২৭ শেংদোকখি। শ্রী চৌহান্না হায়- হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্তরনেসনেল যোগ ডেদা এন.সি.সি কেদেট লাখ ১০ না শরুক য়াখি। লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌননবা কেদেটশিংদা মহাকা আপীল তৌখি।

মহা কুম্ভঃ মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অধ্যাত্মিক অমসুং সংস্কৃতিগী খ্বাইদগী মী য়ামা তিনবা কুম্মৈ মহা কুম্ভ ঙসিদগী উট্টর প্রদেশকী প্রয়াগরাজদা হৌখ্রে। পৌষ পুর্নিমাদা গঙ্গা, জম্মুনা অমসুং শরসতি তুরেলগী ইতিনফম ত্রিবেনি শঙ্গমগী ঘাৎ কয়াদা ঙসি ভক্তা, লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই অমসুং য়েংবা লাকপা মীওই লাখ কয়ানা অমৃট স্নান পাঙথোক্তুনা মহাকুম্ভ মেলা হৌখি। থোইদোক হেন্দোকা চাউরবা কুম্মৈ অসি ফেব্রুৱারি ২৬ মহাশিবরাত্রি নুমিৎ ফাওবা চত্থগনি। চহী ১৪৪গী মনুংদা অমুক অমুক্তং অতিয়াদা থোকপা তাংলবা থৱানমীচাক ময়াম পুনবগী থৌদোক থোকপনা কুমসিগী মহাকুম্ভ অসি থোইদোক হেন্দোকপা অমসু ওইহল্লি।

ঙরাংসু ভক্তা লাখ ৫০ রোমা ত্রিবেনি শঙ্গমদা ইরুপখি। ধর্মগী শেংলবা স্নান অসিদা নত্তনা ভক্তা কোতি কয়ানা শঙ্গম অসিদা থাইনদগী চৎনরকপা কল্পবসসু পাঙথোক্কনি। মমাঙঙৈদগী থাজনরকপগী মতুং ইন্না ভক্তশিংনা থা অমা চুপা মাঘা পুর্নিমা ফাওবা চৎন-কাংলোন চেৎনা ঙাক্তুনা কল্পবস পাঙথোক্কনি। অসিগুম্বা শেংলবা ধর্মগী থৌরমশিং অসি পাঙথোকপদা অপন অয়েৎ থোক্তনবা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মহাকুম্ভ অসিগীদমক মরোল তরেৎ নাইনা ঙাকশেনবগী অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে।

প্রয়াগরাজদা মহাকুম্ভ ২০২৫ হৌখিবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীপুম খুদিংক্তা য়াইফ পাউজেল পীরি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-নুমিৎ অসি ভারতকী মগুণ অমসুং সংস্কৃতিবু থাজবা মী কোতি কোতিগী অখন্নবা নুমিৎ অমনি।

অসাম ঃ অসামদা ভোগালি বিহু অমসুং মাঘোর দোমাহি হায়রগসু খঙনবা লৌ লোকপগী মাঘ বিহু পাঙথোক্লি। কুম্মৈ অসি নীংথম মহৈ মরোং লোকপগী হৱাউ নুংঙাইবা ফোংদোকপা অমসুং চহি চুপ্পা নুংঙাই য়াইফনা লৈনবগী ঈশ্বরদা খুরুমজনবা তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপ পুমমক পুনশিন্নদুনা পাঙথোকপা চহি অসিগী অহানবা কুম্মৈনি। কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমরোমদা, অৱাং ভারত্তা মপুং ওইনা পঞ্জাব, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, দেল্লি, জম্মু অমসুং চান্দিগরদা ঙসি লৌ লোকপগী কুম্মৈ লোরি পাঙথোক্লি। লোরি কুম্মৈ অসিনা শাংলবা নিংথমথাগী অহিং লোইরে অমসুং কালেনগী অয়ুক নুংথিলগী মতম শাংবা হৌরে হায়বদু তাকই। লোরি কুম্মৈ অসি মহৌশাগী চৎনবী কয়াগা লোয়ননা থৌৱাই য়াওনা অমসুং হৱাও তয়ামা পাঙথোকই।

প্রনয়ঃ ক্রাইম থোক্তবা ঙমখৈ পরিং ওইহন্নবা অমসুং স্মগলিং তৌবনা শিংনরক্লিবশিং নিংথিনা লাকশিনবা ঙমবগী মতাংদা ঙসি ধাকাদা লৈবা ভারতকী হাই কম্মিসনার প্রনয় বরমাগা বঙ্গলাদেশকী ফোরেন সেক্রেটরি মহামদ জাসিমউদ্দিনগা ৱারী শান্নখ্রে।

ভারত অমসুং বঙ্গলাদেশ লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পুন্না থবক লৌখৎমিন্নদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী মতাংদসু বি.এস.এফ অমসুং বঙ্গলাদেশকী বি.জি.বি পাউ ফাওনরি। লৈবাক অদুগী ফোরেন সেক্রেটরিনা ভারতকী হাই কম্মিসনারদা হায়- লাক্লিবা বোর্দর গার্দ বঙ্গলাদেশ অমদি বি.এস.এফকী দাইরেক্তর জেনেরেল থাক্তা ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎনবা অমদি আইন কায়না লল্লোন ঈতিক তৌবা, মী লল্লোনবগী থবক অমসুং আইন কায়না চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংনবগী মতাংদা কুপা খন্নগনি।

বংলাদেশঃ বংলাদেশতা প্রোফেসর মোহমদ য়ুনুসনা লুচিংবা মরক্কী সরকারনা লান্মী কম্মিসন ওফিসরশিংদা পীবা মেজিষ্ট্রেসি পৱর নুমিৎ হুমফুনি শাংদোকখ্রে। নৌনা শাংদোক্লিবা অসি হয়েংদগী চৎনবা হৌগনি অমসুং মসিনা বংলাদেশ শিনবা থুংবদা আইন অমসুং শান্তি ঙাকবা পান্দম থল্লি। মসিগী মতাংদা ঙরাং পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন মন্ত্রালয়না নোতিফিকেসন অমা থোকখ্রে। নোতিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না বংলাদেশ আর্ম ফোর্সকী কেপ্তেইন নত্রগা মথক্তা লৈবা কম্মিসন ওফিসরশিংগা নুমিৎ ৬০ অমগসু স্পেসিএল এগজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেট পৱর পীরে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোকি (এল)ঃ  মনিপুর হোকিগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই.সি.সি.আই.সি. কোন্থা অহল্লুপনা শিনবা ১২ শুবা য়ুমাম রাজমণি মেমোরিএল ইনভাইটেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন্স ওপন কেস প্রাইস হোকি টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি ইবুধৌ মারজিং গ্রাউন্দ কোন্থা অহল্লুপতা শান্নখিবা মেটশিংদা- বি.ঐচ বিষ্ণুপুরনা ৱাই.সি.সি.আই.সি-এ কোন্থা অহুল্লপপু পাঞ্জল ১৬-০ দা, ঐচ.য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা টি.ঐচ. হোক্কি এসোসিয়েসন থৌবালবু ৫-৪ দা, টি.দব্লিউ.সি তাওবুংখোকা টি.ঐচ. হোক্কি এসোসিয়েসন থৌবালবু পাঞ্জল ৬-৩ দা, য়ু.ই.এস.পি.এম.এক্স-সাইনা ৱাই.সি.সি.আই.সি-বি কোন্থা অহল্লুপ্পু পাঞ্জল ১৬-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা শুগনু এফ.সিনা পান্থোইবী এফ.সি থৌনাউজমবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে । এফ.সি লমজাউনা ৱাংখেম এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-৫ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  হরাওরৈবী কাংজৈবুদা চথরিবা ৫ শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ২০২৫ ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা করাম এফ.সিনা ময়াংইম্ফাল য়ুনাইতেদপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.দি.সি.এল পুংদোংবমনা হাওরৈবী অপুনবা এফ.সি-বিবু পাঞ্জল ৫- ১ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংবৈন্দনা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুব্ ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্বানকিদো (এল)ঃ হন্দক্তা থা অসিগী ৩ দগী ৫ ফাওবা মধ্যা প্রদেশকী ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা নেসনেল ক্বান কিদো চেম্পিয়নশিপ ২০২৫ দা মরিপুরগী টিমনা সনাগী অনি য়াওনা মেদল মাপল ফংলক্লে। মদুগী মনুংদা, লূপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী মরি য়াওরি।

------